মুংথ্রবা ঈশৈগী খোন্থাং

—অজিৎকুমার

[illegible]ুৎখ্রবা ঈশৈগী খোল্লাং



ইজবা অমসুং পুথোকচবা
অজিৎকুমার

নম্ফম— নোভেল্টি প্রিণ্টরস, ইম্ফল।

ৱাহৈরোল খরা

পাবিরিবশিংগী মফমদা নিংশিংজরি— ঐহাক্তি 'খওদবতনা য়োমলবা, হৈতবতনা কুপলবা মীশকনি। অহুবু ইরৈবাক্কী ওইবা সাহিত্যগী পুকৈদা ইশাগী ওইবা দান থমজনিংবনা পূন্সিগী অহানবা ওইনা ঐগী শৈরেং-লাইরিক অসি পুথোকচবনি। লাইরিক অসিগী মশাদা য়াওবা অফ-ফত্ত, অচুম-চুমদ অমদি অশোয়-অণ্ডাম খিবিক ঐবু নুংশিবিহুনা তাকপিরকনি অমসুং মতুংগী খুৎনমদা চুমথোক-চরকনি।

নিংশিংজরিবা—

অজিৎকুমার

কখোকপা

কোন্নৌ নোঙ্গানগ্রবা পম্ভৌশা !
তাইবংগী ফজবব্ শকখঙহনবিরম্বা,
অচুম্বদা মায় লৈখিদবা,
ইমা পোক্লকমেগীদমক য়াইরি কংখিবা,
নখোয়গী মকত্রবা নকাদা
কক্কৈরি নচাগী
'মুংগ্রবা ঈশৈগী খোম্হাং'
পুন্সিগী অহানবা ওইনা— লৌবিয়ুকো !

লমজিংবিয়ু ইমা

মালেম লৈকোইপুংদা ভাল্লিবী
হে ইমা মণিপুর,
নশাইগোন্দা তাং নতম্বাক্তা চাউরক্লবা
করিস্থু খঙজদবা নচাবু
খুজেং পালোইননা লমজিংবিয়ুকো !
নংনা লৈত-লাইর থিবা চৎপদা
—ৱারে কৌবতা হায়জরোই—
হৈনা নতুং ইলহনবিয়ুকো !

মাওফম তাক্কপা

শৈরেংগী মমিং — লামায

লেপতরি ঈচেল ঐগীনু

মতমনা কৌরগা থুমত্রবদি নংনা
করি য়াশক লৈবনো খল্লি।
লাম্হোকখ্রবা থম্মোয়গী কংল-ঈচেলনা
য়ৈরি খোম্থাং লেপ্পা লৈতনা।
লৈকংলানা লাইজ ফংদবদা
কয়াদা য়ানা থাংলিবা!
অহুবু—! অহুবু কৈদৌনি
মায়া মরিচিকা খঙলবদা, উরবদা।
লৈতে, লৈরম্বরা করিগুম্বা কনাগুম্বা?
মাঙখ্রবরা লৈচিলগী অমুবা শক্তমদা?
লোইবা নাইদ পম্খেদা
থসিরা, থিরুসিরা ঐহাকপু?
খঙদরা?—
করিগী খঙলোই নহাকপু?
ঙাইরম্মু ঐহাকপু মক্কমতুদা
কৌশিং-কৌনা ওই লাকপদা নম্লাক্লা!
হিমালয়, হিমালয় চীংঙ্গাও!
লৈখিগন্ত্রনে নংবু কয়া কুইনা?

২

নত্রবদি করিগী হিংখিনি ?
হায়য়ু করিগী চিংখিনি ?
ওঃ থায়নগী লৈরাং !
হায়নবদাইনে নংব লৈহুংশি,
কিয়বরা লোৎলাদ লৈকুৎ-লৈরাইদা ?
করিনি থল্লবগেনে নংবু য়ালেমসে ?
হংলগম্ভু ঐত্তোন্দা করিগনো,
হায়গম্ভু ঐত্তোন্দা থজদে,
ঈহৌরিত্তে থখোয়গী ঈথক্লা
লেপতরি রাখলগী ঈচেল ।

—: :—

লমা কৈথেলদা নোংমা

ওঃ ঐসে ওম্বোক্লা পঙত্রেদা !
ইতোমতা হায়জৈ—“ওম্বোক্লা পঙত্রেদা !”
নোংমা কৈথেলগী লম্বীদা
মীয়ামা রা-রা লাওহৌই ।
করিগনো ?
ওঃ ফজৈদা !
হায়নহৌই নোকহৌবা মীশিংহুনা

অচৎ-অওক কয়াব্ সেংবদা।
কৈথেল তিনখংথি মীনা ঙরং-ঙরং,
নাকন অমদা কৈদৌরে কৈদৌরে—
হমুবী অমগা পাখং অমগা
মীয়াম্না পুমকোই কোইশিন,
ইকাই-ইকি য়াংমা য়ান্
মশিংথা থোক্না খংনহোই।
পাখংহুনা মখা শমথুহৌই—
"হমুবী, নংসে মীশক মীমায় খঙদেদা!"
গাড়ী থাকম অমদা
ইস্কাল কারক্পা অনিখক
য়ারী শাহৌই মায় ওনশিন্নরা।
অমনা হায়রৌই—
"য়েংউনে নেতাশিংগী সভা তিল্লিবসে।
লাও, হোটেলসিদা হাম্না চঙলুখিসি,
লৈবাক্কী য়া খঙদোকলুসি,
পঙহনা লৈহৈবা য়াত্রপোংনি।"
হম্না য়েংখিবদা অমুকন্থ উই—
চৎলিবা সোড়কী নাকন্দা ফমহনা
নমথীরবা নাগাগা শাগোল্লা,
মীৎন্না অনিদি তথক-তথক
ঙগায়রবা খুবীদা অমুক য়েং

শিন্থাদা মায় অমুক ৬- শিন
পথরবা হকচাংদা
পুন্সিগী ৱাহং হংহৌবা।
হুমিদাংৱাইরম
থাংজিল্লুই খোঙ থিংয়টরদা।
হুমিৎতুদি অচৌবা সভা তিল্লি,
য়াম্না চাওবা সভানি ;
মখোঙ-মখুৎ তেকপবা জ্ঞানিশিংহনা
ওঃ ওস্থোকপনি!
ঐগী নাকোংসে শেঁগায়খিগদৌরে
মখোয়গী কল্লবা ৱাহৈগী চৈফুনা,
কায়হনগদৌরে থম্মোয়সে মচেৎ-মচেৎ
মখোয়গী কিরবা শক্তম কয়ানা।
অহবু হে পুক্লিং!
অমুক্তদি থস্থখো নতোমতা,
খঞ্জাননা অমুক খোরকখি,
হন্না য়েংখিবদা ঐনা উই—
"মতমনা পুন্সিগী মমলনি"

—ঃ ঃ—

৫

লোনশিনখ্রবা খোঙচুপা

মতম কুইনগী তুং
নৌহৌনা অমুক লাকপদা
ঙসি লেপলরে খোঙজিনসিন্দা;
অতু কদায়—
ওঃ ওস্থোকপনি !
মরোল থোক্লবা মফমসিদা
ঐহাক মঙ তাইবং খঙদ্রবরনে ?
নাহে খোঞ্জেল, মীগী নাহে খোঞ্জেল
কপ্প-নোকপা, অরা হুঙাই পুক্সিগী—
মখোয় লোয়না থমখো লাপনা।
অমুক্তদি খস্থখি.স—
য়ুমসে হয়্রিং কাং তুমিংকী মকোল্লা ?
মফম অসিদা তাদবরনে
সমাজগী মীনোক, সমাজগী চৈফু
লাকপদা মানা ঈশিং ঈচাওগুম,
হায়য়ু নংবু কিদবরনে ?
নংগা ঐগা মান্নে—মীনি
অতুবু ঐদি হায়ররোই,
ঐ করিস্থ হায়ররোই—
পামজবা, নিংজবা কয়া কয়া।
তেকদোরবা নংগী শরুনা

নংগী শিগ্রবা নমাদা হাম্নহৌই—
"ইমা, ঐদি ম্নারেদা !"
নংগী তোংশানা
কপহৌই হিক—হিক,
চৈহৌই নহাকপু থীনা—থীনা,
য়েংহৌই তোম্ননা অথাবা মীয়েংনা।
মানি মফমসে মফমত্তুনি—
মীগী খোঙ্গুল মুৎনফম,
চৎলরোই ঐদি নংনা হায়রস্থু
মফমত্তুদা নাহেখোলনা শিকথল্লবা।
অত্তবু ম্নাদবদি ওমদে—
ঐবু নোংমফাও চৎলরোইদ্রনে।
নত্তে—মীনম্বনি ! মীনম্বনি !
লোনগ্রসম্থু খোঙদো মতম চুপ্পগী।
—ঃ( )ঃ—

ওল্লাংথাগী কবি অমা

অশৈবা, নংদি কপনিংলিনি
নংগী শান্তি থুগায়বিরবদা।
অতুবু কদায়দদি চৎলুনি
মীনিলখোলতনা তাইবং শিল্লবদা।
নংগী রাখল এভেরেষ্ট চীংদোলনি ;
নংগী পূক্লিং মহাসাগার ঈপাক্লি ;
অতুগা অমুক নংদি
থা থরান মিচাক্লী অচিকপা লমদমদা
রাখলগী ঈপাক্তা তাউতুনা চৎপনি।
নংদি কপই বসন্তদসু
নে কই করিগুম্বদসু ওল্লাংথাদা
অতুবু ঐদি খণ্ডদে
নংগী রাখলগী ঈচেল কমদৌবা।
খণ্ডদবনা হায়বনি—
কল্লম্বা য়াই মুংগুম নথম্মোয়
থোৎলম্বা য়াই লৈনাগুম করিগুম্বদা ;
অতুবু চৎলো, নং চৎলো
নংগী লৈফম কনানা পিখিনি
তোংশা শত্নম চান্নরবা মতমসিদা।
নংগী মেঙলবা মেরাগী থাবল
ওসি মানি নোংজুথাগী থাশি ;

ওইখরেদো মৈরি থোক্লবা শাফু।
হৈ'নী মৃপালনা পোম্লবোম
খোন্নৌ নহ্না কোকিলগী কুহু—কুহু
খেইমুগী গুন—গুন লৈকোল খুদিংদা
য়াকলবা খোঞ্জেলনি ঙসিদি
শাহিং চাবা শা-কৈ কয়াগী।
নংনা করিগুম্বদস্ম শোল্লিনি,
"এ শা নত্তে—মীনি
মীদি মীনিনা
মী-গী অধিকার ফংফম থোকই।"
অহুবু কনানা তাবিনি
নংগী রাকৎ নংনা হায়জবা।
পম্থুংফম পল্লেপম্ম খন্দনা
নংনা চুংলুনি রায়েনশঙদা
ইনৌ নৌনি নঙোন্দদি—
কবিনোনে ,কবিনোনে।
উকিলনা শাক্কিদ্রা মচিন মেনহৌই
বিচাবপতিনা নোকহৌই মোমোন মোমোন
হাযযু নংবু কিন্দরা
শোক্লফদরা রায়েন-কাটীগী বিচাব ?
নং সিত্রা নত্তে ঃ
লৈবাক লৈমানা নংবু লৌশিল্লোই,

নংদি কবিনি কনাগা মরি লৈনদবা;
খওলোই নংদি বিজ্ঞান,
হুমিং থাগী খোঙচং;
থিরুবা ওমলোই পৃথিবী অমা—
নং হিংবা তারিব্রা, শিবা তারিব্রা ?

—ঃ( ):—

বিদাই পিরি নখোয়বু

য়াতারি ওসি তুমিন-তুমিন
য়াশক চেংপা অথোবশিং
পুন্সি খাঙথক্তা কেনখিবা,
নৌনা পলেম-পন্থো শেংনখিবা।
লৈরাংগী লৈখোকসু কেনবা নাই,
শীঙেলগী লৈনমসু মাঙবা নাই,
ফজবা শক্তম লোইবা নাই,
ঈচেলনা অরাং-অনেম নাইবগুম
পুন্সি-ঈচেলসু অহুম মনাই,
চাউরবা মতমগী ঈথক-ঈপোমদা
চেস্থরি লেপ্তনা পুন্সি খোঙচংনা।
হুমিং থা থরামিচাক

মম্বা নাই ভানবা নাই।
অদুবু করিগী রাবগে পথৌশিং
পোক্লফম লমদম ইমানা
মোমোন মায়থোঙগা লোইননা
নংবু তরাম্না ওক্লবি,
মথান্নুংদা কোননি ।।
'জা ন্দ্রাব' গী নোংফমদা
ইমা ! হে ইনা মাতৃভুমি !
ঙসিসু মুত্রিনে মৈরিদো।
রাজপুটকী চন্দ্ররাদা নত্তে
নপাবি-নমোম লীশিং কয়ানি
ঙাইজবিবা জাওহার চাম চাম।
রাণা প্রটাপকী হুপা থোকপা রাশক
ঝাঁসি রানিগী থৌনাগী লাঞ্জং
ফিদমগী শক্তমনি মথোয়সে ঙসিদি।
কুনগুবা শতা ব্দ
নিউক্লিয়ার এটোমগী যুগনি- ঙসি;
অদুবু হে ইরৈবাকী মপারি-মমোমশিং।
কাউরবরা পাওনা মেঙ্গরগী থাংগী জগোয়
খোঙজোমদা চেলহোৌরা ঈগী ঈচেল?
নিশিংলুদ্রবরা অমুকন্থ কখোকপগী মীনোক

বীর, থাঙ্গালগী কাঁসি শাগায়দা ?
নচা কায়নবদা
চায়াম পোকপী ইমা,
নংনা কয়াদা রানা থাংখিবা !
নংগী মীকপ তাবদা
মহাসাগরগী ঈমায়না
মরাই লুকনা লৈখিবা !
নংগী ময়পোক উবদা
মশা থক-থক নিক্কুনা
লোইবী চীংশাং কয়ানা
লমন খুনগে মতাগুম
খায়াৎ চিকনা লেপখিবা ;
নখোয়না থারিপ্পা লৈরাংগী চার
লাইজ খিক্লেন চাইহ্নুনা
লৈরাং লৈশাৎ তমলক্লে
শীঙেল মপুং ফারক্লে ।
নখোয়গী আত্মানা পোৎথাফম
থম্মোয়না মকা লামজফম
নখোয়গী শেংলবা খুয়াদা
কচ্চবদা লৈরাংগী খুজোক-খুজোক
থম্মোয়গী পিরাংগা লোইনবা
ওইসনু ফংবা পূরিংগী শান্তি ।

অশিবশিংগী মোংফমদা

মরোল থোক্লবা অশিবশিংহনা
লৈহৌবা অশিবশিংগী মোংফমদা,
অহিংবা মীনা খঙদবা মরোলদা
মথোয় মশেলমক্তা ৱারী শাহৌই,
অরীবা মীরোলগী মথক্তা
অনৌবা মীরোলনা ননশিনহৌই ;
অরীবশিংহনা ৱানা শোঙ্গহৌই--
খাঙবদা ৱারেদা, খাঙবদা ৱারেদা।
মতমগী চৈনা খাংলকপদা
চাদবনা কয়া থক্তবনা কোঙ্গায়
কল্লবা নোং লৈ-তুংশিং মরক্তা
শেগায়রবা খাংপোক অমদা
হাইন হুমনা খাঙখিবা
থম্মোয় হিকনা কপখিবা
ঙসিস্থু মোংফমসিদা তেংথারে।
অনৌবা মীরোল মরক্তা
হাইন-হুমনা চৎলম্বা
লমচং ৱাংমা লানখিবা
সভ্যতা মঙালদা লাউজ্জরম্বশিং
মখোং পোঙনা পোঙনা,

নত্থ্র-নশু কস্যা উন্নরমদনা ;
কেনবগুম লৈরাংনা লৈখোক লোইদনা
কেল্লবোই তাইবং পুক্সিদো !
অহুবু নংগী মীনোক্তি লৌনম লৈ ;
নংগী রাঙাংদি অয়াকপা নাই !
নংনদি নিঙাইদনা লাউরি—"
ঐগী য়ু লীক্লি পিয়ু !
অহুবু শুকতা ভারয়োই—
নিল্লি নয়ুম য়া-য়া, য়া-য়া।
নংগী নচানা চৌকিদা ফমহুনা
মরাল লৈতবা টেবলদা ফুবিরি—
"ঐগী য়ু কদায়, ঐগী য়ু কদায়,
ঐ ঙসি য়ু থক্লবনি
থশ্মোয়গী অপেনবা ফংননবা
নংগী অরাবা কোক্লবা।"
পিশক পিকলবা মোংফমসে
খৎন-চৈনবগী খোঞ্জেনা পিক থল্লে ;
অরী-অনৌ সভা থামদোক্লরে ;
মীচং-শঙ্গন নাইনরে ;
কনানা বিচার তৌরনি ?

—:( ):—

হে ঈশ্বর ! ঐখোয়বু কনবিয়ু

য়ুমলক্কী শা-উচেক ময়াম—
হুই, হৌদোং, ঙাহু, থুহু.........
হুঙাইতবা কোঙ্গায় য়াওরম্বু করিগুম্বদা
ঙসিদি লীংজেন মাম্নরে ।
মখোয়না পুম্না য়া থনৈ—
অফ-ফত্ত, অচুম-চুমদ কয়া পুন্সিগী ।
ঙসিগী অয়ুক অঙনবা
য়া থম্নবা হুমিৎনি মখোয়গী ;
মখোয়না কোইনা লাউজাখ—
"ঐখোয়গী ইরাল লৈজদে ।"
অত্থবু মিৎকুপ থম্নদা
মফম অসে হুমিৎ অসিগী
জালিয়ানওয়ালাবাগ ওনখ্রে ;
ডায়ার লীশিংনা খুজিং ওই
লান্দাখি লাঙ্গদবা মখোয়দা ।
অত্থবু করি উপায় তৌনি—
কলিদা ভিমনা নিংথৌনি ।
বোম-টোপ য়োৎখোক-তেনখোকনা
পাল্লবদা তোংশা খুদিং
"ঐয়ো" নাহেখোলনা নিল্লেদো !

শউনগী খাওজাও অমদা
হাপচিনখি শ্যাশিংদো শিরবা পুমশি ;
অহুবু খওবা ঙমদে
মফম কৈদা পুরিবা।
হে ঈশ্বর !
ঐখোয়বু অমুক্তদি ক্নবিয়ুগবা !
নংনদি থাদোকপিরমলে
মহাও খওদবা তাইবংসিদা।
নংনা ঐখোবু শেম্বিবনি
পিবিয়ু ঐখোয়গী অধিকার ,
নংনা তম্বিখিবা অচুম্বা
মাঙত্রে মফম অসিদদি।
হে ঈশ্বর। ঐখোয়গী-লৈফম পিবিয়ু ;

--ঃ( ):—

খওবা নাইদে নহাক্তি

নোংম নোংজুথাদা
নংনা লেপহৌই লৈমায়দা
নোংজু ঈশৈ শক্তুনা—
নোংজু থা লাক্লে, নোংজু থা লাক্লে।

ভাখি এনা খোজেল অমা,
পূন্সিগী অঙৌবা চেনোদা
মণ্ডলানগী মচু শংহৌই,
হোব- লোইব নাইদবা
রাখলগী ঈথকা জগোয় শাহৌই।
থরো, থম্বাল, ঈয়ায়দা শাংপী
থাবল্লৈ, ইণ্ডেল্লৈ কংফালদা শাংপী
চা‚গী উথম্বাল চীংদা শাংপী
অশি-অচংগী পূন্সি লীলাদা
অরা মুঙাই কৈদনো নখোয়গী ?
হৌখিবগা হেঁজিককী খেন্নফমদা
পূন্সিগী ইতিহাসনা কৈদৌনি—
নংগী রাহং নতোমতগী রাহংনি
নদোম হংজো নদোম থুমজো।

—ঃ( )ঃ—

ত্তাখো ঐনা হায়বা

য়ুম্বী অমগী পাওদাম্নি
ইম্ফাল সহরদা লৈবা—
"ঐ তেকদোরে, খিংগদোরে মচেৎ-মচেৎ;
ঐগী অকোইবদি
মথৌ হাঙদে মতম-খুদিং
মীগা মীগা ক্রক-ক্রক
হঙ্গৎ-হন্দা খাগা-রাংগা, নোংপোক্‌া-নোংচুপকা।
"ঐগী ইপু কনানো ?—
ঐ লমজানি কনা লৈজদবা,
ভাইহাক্তা পোত্থাবা ফংজদে
থবক্তা পুন্সিনি ঐখোয়দি"।
"হরে কৃষ্ণ, রাধে ননাইদি ব্রারেদা"—
চৎখি কয়াস্থ ইনাকসির্দা
পুন্সিগী শিন্থাদা, পুন্সিগী লাগুংদা।
নহাক কনানো ?
ঐ করিগুম্বদা উপ্রে খল্লি।
মতম অমদা ঐগী ইনাক্তা
হরাও-হরাও লাক্লম্মী।
অতুবু ওসিদি কদায় ?
নংগী ফজবা শক্তম,

নংগী নোকনবা মাইথোঙ
লোইনা মাঙলম্নে, লোইনা মাঙলম্নে।
ঐস্থ অহল ওইরক্লে:
তেকদোরে, কিম্থগদোম্নে।
শরু য়াওদবা হকচাংনি
মতোঙ ঙাক্তনা কুপলবা;
অহুবু লৈতবদি য়াদে শিন্থানা।
তাবিয়্ম থৌজাল হৈবশিং,
ঐগী রা অমতদি—
"নিংথায়রক্লবদি করিগুম্বা
নল্লবদি মরাল লৈজদবশিং
মতমত্থদা কনা চোংথোক্লকনি
অতোনবা জাৎপু মুংশিবা?"
—: :—

ঐনা নং ওইরমলবদি

করিগুম্বদা করিগুম্বা
ঐনা নং ওইরম্লবদি
উম চুম্মী,
হায়রমগনি—"নং ঐ চপ মান্নৈ"
নংনা ভাংবত্থমক ঐ ভাংলমগনি,
নংনা উবত্থমক ঐ উরমগান ।
অশেংবনি,
ঐনা নং ওইরম্লবদি
ইবাম্নি ম্বুম অমত্তদা লৈরমগনি,
চক্ষু অমত্তদা চামিম্নরমগনি ।
অদুবু কৈনো'মতদি নিংশিংজহৌগে—
উরোকথোং লানবদা
নং ঐ খুৎশম্নরু,দা
অউবনা করি হায়নৌনি ?
অদুগা,
ইবাম্নি অমুক খৎনরবদি
অচুম্বা চপ মান্ননি,
অরানবা চপ মান্ননি:
অদুদি, বিচারদি কমদৌবা ?
নংনা খঙলিবত্থমগাই,
ঐগী ইথৌদি য়ামই

অন্থগা অমুকস্থ ঐদি
লৈতবা, অরাংপনা তুংনকম ওইরিবনি ।
ঐনা উই—
নং হৈনিংবা ফাওদে, কবিমত্তা ফাও দ,
নংগী শক্তম্না তাক্লি—
খোইরাং-খোইশাউনবা, হু নাংবা,
নংনা খল্লি—
কান্নদর্বনি, কান্নদবনি, পূম্নক অরেম্বনি ।
হুঃ ওন্নরে ওন্নরে,
ঐনা নং ওইরবদি
হায়জনিংবা হায়জদ্রবস্থ
শোয়দ্রবনি লেনবা ঐসে নংগুম্না ।
হুম তল্লি তল্লি,
ঐ নং ওইজররোই,
অওহ্ববনি,
ঐ নং ওইজররোই ।

—ঃ ঃ—

ঐ মং মত্তে ; নং ঐ নত্তে

নং নচা লৈত্রা ?
ঐদি ইচা মুংশি,
ঐনা হিংশি মথোয়গী।
হে মৈরানবী,
লাকমু ঐগী ইনাঙ্গা ঃ
ঐ খঙদে নংনা হায়বা।
নোংমত্তুংদুদি নিংশিংই—
চাগে চাগে ইচাশিংদুনা.........
ওইরমাল্লে খল্লি ঐহাক
থাজনবা নংগুম্বা কয়াগী
মাহং কয়া হংনক্কম ;
অদুবু পুমলোই লোইখরে
অমম্বা লোকমুংদা, অমম্বা গুহাদা।
থাজনদবা মককমদুদা
খঙন খঙন থাজনদবীনি
নংগা ঐগতা মুরুদুনা,
অপাম্বগা আশাগনা খুৎশমবিদুনা
চৎলুরে, কোইরুরে পম্থুং খঙদনা।
অরাবনি ! মঙম শাল্লে ঐহাক,
খঙদরে ওইথোকপা ওইথোক্কবগী হৌরককম।

হে বিধাতা! হে শেম্বীবা ইবুঙ্গো!
ননাইবু হৈনা থাংবা তম্বীরোসিবা।

—ঃ( )ঃ—

চৎলসিঙ্গে কৈপত্লো

খঙহৌদবা রা কয়া লৈ;
লৈহৌই কয়া অমত্তু উঙহৌদবা।
অহবু মচগী ইতিহাসতা
মতম শাংনা থুপশিনবা,
শুকথন থন্নুদনা হৌজিকী হৌজিকপু
খোঙ্গুল লীক্লই লেপ্পা লৈতনা।
ওইরিবা, লাকদবগী রাংমদা
থায়নগী লৈরাং কয়ালী
মুংশিবা লৈনম ফংহল্লি
স্বর পুঙমত্রবা মী লীশিংদা।
তুমনিংবা, হিপনিংবতনা হাকাম রা-রা
ইতিহাস কয়ানা মাংদা ইশল শন
যুগসিংমকী মীরোল্লু কয়াদি
মঙ মঙলি হৌজিকতু লেপ্পনা।
কিবনা মংদ্রি মাগী চত্তিথাদা
কয়া, হৌগংপু চংপা চেনবা—

মখোয় পূম্নমকসিদা পূম্নৈহৈ হৈনরে।
অহুবু নংনা হিংলিবসিবু মাগীরা ?
মানা হিংলিবনা নংগীরা ?

—ঃ( ):—

বারুম্বসু, চান্নবা মতম লাক্রে

হুরানবগা মপুগা
মতম অমদা য়েংথিনরম্বা,
ঙসি হরাও-হরাও ¬
কা অমত্তদা ফম্মিন্নহুনা ॥
মুঙাইবা ব্বারী শারীদো !
হুরানবহুনা হুরানবগী পাউ পুরকই,
মপুহুনা হিসাপ মরক্তা চনশিনখি।
মপু অমদা মপু অমগী পোৎ
হুরানবহুনা তফি-তফি থৈরকই ;
মপুহুনা তরাম-তরাম ওক্লম্মী।
নিংথৌ, যুবরাজ, অঙম্বা থিবিক
ঙসি সনা খোঙ্লেঙলকনি
"অহিংসা, অহিংসা" লাউদুনা
লৈবাক মরা তপ্নবা।

হে লৈবাকমচাশা !
চ্যেকশিল্লু নচা-নুশু,
মযম মতম নাইয়ু থবক্কী,
পোথি-পোরম খঙউ থৌরমগী,
উহনযদে মীমাংদা নমথী-হাৎভে।

—ঃ( )ঃ—

নুং মরক্কী মী-খোঙ্জেল

তাখিবা লৈ করিগুম্বদা
নুং মরক্কী মী খোঙ্জেল,
ইখঙ-খঙহৌদনা থম্মোয়সিদা ঐগী
অরা-ঈথক কযা হৌরকখি।
মীনিনখোল, মীরাখোল—
মীগী খোঙ্জেল ময়ামসিদা
খামবিনবা লৈক্রবা মফমক্তদা
পাউথুম যাওদ্রবা নুংলক্কী,
—খঙদে করিগীনো—
পংনিনতা নিলহৌই, পংনিনতা নিলহৌই।
নংদি, মাদি, মখোয়দি
করিস্থু থওইদনা, করিস্থু থৌশাদনা,

অতুম পংলৈত লৈহৌই।
উম, হায়বা তাই—
করিগীদি থৌশারুনি
হায়রিখৈ য়ারবা মখোয়বু।
ঙাইহাক্কী মীৎকী কুম্মৈনা
করেম্নবিরবদা মখোয়বু হম্না-হম্না
ৱাহৈ অমফাও হায়জখিত্রবনি,
সুপ্নতগী ৱাহৈ অমফাও।
অঃ করম্নবু খাঙশিবা
গতিদি লৈত, তৌফমসু খঙদ!
কপনিংবতনা থুমখিনে মীৎলুসে পিরাংনা
উরুবদা নখোয়গী তথকপা মাইথোঙশিং!
কান্নদে, হয়েংমুক্কী মপোক্তদি
নখোয়গী নরক্তা পোকচগে,
নখোয়গা সঙ্গ তৌত্নুনা
পুন্সি চুপ্পা ঐসু তাঙ্গগে
ঙাকপিবগী ধর্ম, অকনবশিংবু ঙাকপিবা।

—:( ):—

তাৰবরা খোঙ্লেসে ?

"নং অমুক্তা ঙাইখো
ঐ অমুক্তা থোকখিগে"—
হোন্দোরকপা স্বরশিংগী খৎনখোলনা নিনখি
কাহুদা পিশক পিকলবা,
থোঙ থোঙনাউ পুমলোন লোনশিন্নবা।
চৎলু য়াত্রবা মীশিংহুনা
কাহুদা অহুম ফমফ্রিন্দুনা,
তাহুনা স্বরশিংগী খৎন-খোঙ্লেল
মতম লেলহৌই নিঙাইবা লৈতনা।
গাড়ীনা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলবা,
উফুল, নুংচাইগী সোরোক কয়াদা
চৎহৌই মী লীশিং লীশিংনা
হুঙাইবা ৱারী গা-শাহুনা।
হায়বু হায়গেদা নচিন থী,
নংবুদি কনানসু খঙবিদনা
করিগীদি হায়করি হায়হৈদবা ৱাহৈশিং ?
হিংবা য়াম্মা ৱাই :
চান-থরুবা লৈতবনে,
শেৎন-ইন্নবনা ৱাৎপনে !
চুপ্মি, নং খঙই পুম্নমকসে,

স্বপ্নগী ফোংদোক্কবগী রাতনি
হায়ফম হংফম লৈতনা।
চাংদম্নবগী লোইবা নাইদবা,
শীংনবগী হনবা লৈনদবা,
উপনা তারে উপনা চিংনরবা,
লোংনা তারে লোংনা চিংনরবা
তঙাইফক্রবা মতমগী য়াওনদা
নংদি লৌনগনবা লৈনানি—
হে লাকম্নু, লাকম্নু, ঐখোয়স্তু লৌনরকনি।
অস্তুদি উপায় লৈতে, খামবিরস্তু
চীং নিংখায়বদা য়াওজগ্রগে,
অচেনবা গাড়ীদা চোংশিনজগ্রগে,
সমুদ্র ঈরোম্নুংদা চোংথজগ্রগে।

—ঃ( )ঃ—

ক্ষুনিং অদো

"মতম কুইররিনি
ঐ নখোগদা লাক্কবা ;
নংদি পিশক পিকহৌবনি
ঐনা নখোয়দা লাকঙৌদা—
কাউদি কাউরমদ্রিদনা ?
অস্মুম্না খুমখি মুপামচাহ্নুনা হংবদা।
করিগীনোদি খঙদে,
মা ঐঙোন্দা মুম্না য়েংঙকখি—
খঙনিংবা করিগুম্বা লৈরিদ্রা ?
অহুদা ঐস্মু হায়দোকখি
ফাগি ওই খজিক্কুং নোক্কুনা—
"খঙলবদি খুম্মুনে
ঐবু মুঙাইনা উব্রা, রানা উব্রা।"
চুম্নগী হংলুবতনি ইচম চম্না,
অহুবু মানি শুকথুম খুমলকখিদে,
লৈখি তুমিন্না মরু লুক্কুনা।
ঐনা তপ্না চঙশিনখি মনাক্তা,
নানবিখি মাবু হম্না-হম্না
অহুগা হাযদোকখি শোম্থাংননা—
"কাউববুদি কাউদ্রিয়ে ঐস্মু
নংনা হেক-হেক হায়খিবদো
কৈদৌঙৈ লাক্কনি, কৈদৌঙৈ লাক্কনি।"

ভকচাও-থেকপশিংনা শারিবা জগোয়
অয়েংবশিংগী মীৎ মানবা,
পুমওক ওক্লে, পুমখি খিরে।
তৌশিন্নবা, নমথাক তৌবশিংগী মকোল ওইখ্রে
অসুক নিংথিজবা মহৌশাগী মালেমসে।
যুগসিগী য়াকা য়েংহুনা
জীব খুদিংনা অপিকপদগী অচৌবা ফাওবগী
থরায়দং হিংলবদি মতাগুম,
লৈকুৎতা খগুদে লৈরাইদা খগুদে,
পংলোৎ লোৎনখ্রে, পংমাও মাওনখ্রে
উথোঙ-ম্নাখোং খুদিংদা থেৎলি—
"অশোক-অপনগী দায় পুজরোই।"
মী অনিগী লাম্বাদা
পাখৎলুববু অশি-অনা থোকদ্রা
চৈরক্তা নিংশিংলকইদা ইরাম্নংনিকো, নরাম্নংনিকো,
অহুম পংচৎ মচৎলে
খগুন-খগুন খগুশিন্নদা, উন—উন উশিন্নদা।
ফত্ত-হৌদি, অমোৎ-অকায় মথক্তা
কুপশিনখরে অরু-অনানগী ফজবা লৈতেংনা;
মহুগী ফলনা, মহুগী মহৈনা
ইচা-ইনাওমকপুম্ন মশক খগুহনবিদ্রেদো।

মাইকৈ তন্না শুবগী মাইকৈ অমত্তদা
পংলাউতা লাউরি খন্না অমনা—
"থৌনা নৈসি, ইচং থৌসি, হিংমিন্নসি····
অকোনবব্দদি কবি তারকখি—
মকস্থীনা মরল ফে.ইদংপা।
মীনাই খারাগী শুথাং কয়ানা
অতুম্মক হৈনথিনি মীনাইগী শাজং ;
মীগী নূবা নল্লগা চাবস্থু
নূবা নন্দুনা অতুম শিজগ্রনি .
চীংদা কাবস্থু তমদা কুমলক্লুরোই ,
পাৎতা কুম্বস্থু কংফালদা কারকলরোই।
লেনববুদি লেনবা য়াই ' চাদ্রবস্থু
মীগী মুঙাইবা ন্নারী শাগনা
মখোয়গী মুঙাইবা আশাগী রাগদা।
ইম্মাইপেম্মা ! কাউবু ক্লাউইনে,
নোংপোক থোঙ হাংলেদনা !

—ঃ( )ঃ—

হু লীক্লি পায়রুক্ল

করিগী পায়রুরি হু লীক্লি
মীনা হম্না-হম্না হায়রবমক্তদা ?
মমল য়ামলবা রারী কয়ানা
লোইনাইদনা লৈহৌরি
মতুং শমথখিনি মতাগুম ।
লৈরমত্রবদি করিগুম্বা নং
ফাওরমলোই অরাবা থম্মোয়সিদা,
খম্থরুরবদি ঐস্থ অতুমঙাই—
করিবু কান্নবা, করিবু কান্নবা ?
খক পংচেনস্থ চেল্লুস্থ—
কিজরে কিজরে, তুকচ্চরে তুকচ্চরে,
করিস্থ খঙজদবা নহাক্তি,
মুংশা থীরুম্থ, কৈস্থ তৌরোইদা ।
খল্লু কৈদা খুদি থীরুনি,
য়েংঙ লৈরিবসে অমুবা মমিশিং,
নং খঙলবরা, নং উরবরা ?
মতম খুদিংদা রাহং খুদিংনা
নংবু পোত্থাফম খঙহন্দে—
"নং শিজখ্রো ! নং শিজখ্রো !"
অশেংবনি, ঐতগী রাদি নত্তে

কনাগুম্বনসু হায়বা য়াই হেক্তমক—
"হু লীক্লি পায়রস্তু
মিংচৎ ঙীক্লবা পুথিনি।"

—ঃ( )ঃ—

নোংপোক থোঙ হাংলে

য়াওল্লে য়াওল্লে,
লাইরেল লাবা য়াওল্লে ;
চীংথৈ ফিরুপ হাংলক্লে ;
কাক্কী লানবাউ তাবদা
তৌত্রি, পেনাগী সুর মরক্তা
লাইনিংথৌ, লাইরেম্বী লেঙখৎলে
খংপ্রেক-খংপ্রেক খংহুনা।
হুইগং থাংবা চৎনবিগী কুমদগী
চাকচা-য়ুথক ফজনবগী কুম ফাওবদা
অহোংবা চৎনবীদা লেঙঙমদ্রে মীওইবা ?
য়েন্নবগী হৈনবী থাদোকনরকলে ;
লাক্লবা, মুম্নবনা ফজনবী ওইনখরে ;
লৈয়ক-কোনশাং খুদিংদা,
য়ৌক-য়ৌক্লবা মফম খুদিংদা,

থৌরী-য়াল্লুবী শাস্রবা

মাওদা লৈরে থৌরী কোঙ্গোই
লাও, য়াল্লুসি লাও ইতাওশা!
পলেম-পম্ফৌগী পোৎলুম কোক্নবা
লৈবাক্কী মুঙাইবা য়েংহ্ননা
লাও লাও, থৌরী কোঙ্গোই হুক্নুরসি!
মোন চামগী নুং পোক্নবদা
খ্বাং-য়ালেন, শরু-শয়াং তেক্রে:
লৈবদা চম্নদ্রে, হিংবদা কান্নদ্রে;
লাও লাও, য়াল্লুরসি লাও ইতাওশা?
চিঠিখেলাগী লাইবক চাংয়েংদা
ঙাইজরুববু ফাওরকনি মতাঙুম
মায় পাক্লে, মঙ্গোল ওইদ্রে;
লাও লাও, য়াল্লুসি লাও ইতাওশা!
মহাদেশতগী হৌরগা উপমহাদেশ ফাওবা
শাৎলুরে লৈরাংঙুম তোমখীন-তোমখীন
নিংবু নিংজরবদি থুংগনি মতাঙুম
পুন্সিগী শীংনবদা, পুন্সিগী লাঙাংদা।
পুন্নমক মাঙজরে পুন্নমক লোইরে,
হায়ফম খঙদনা তৌফম খঙদরে,
ইরোম-ইরান তাকলবা তুংসিদা

চৎলুবা তাৱিত্রনে মখম খৌদনা ?
কান্নদে হৌজিক্তি থীম্ববগী,
অশি-অনাগী ৱাৱী শাৱসি—
পাপ চাবস্থ পাপ চাহুনা
পুন্য চাবস্থ পুন্য চাহুনা
অহুম মরৈ শিখিদোবা নোংমদি
শিয়ু তমলকপা মীওই-মপোক্কা
লাও লাও, খুজেং পাল্লোইনশি লাও,
মাঙদা লৈরে থৌরী কোঙ্গোই
হুকচিল্লসি লাও গোবিন্দগী নাম শোন্দুনা—
জয় রাধা গোবিন্দ, জয় রাধা গোবিন্দ !

—ঃ( )ঃ—

য়োং হনুবাগী ৱাজমন

য়োং হনুবী লুপ্রাবদো
থৱো-মারো ওন্দুনা লৈহৌই
শিৱমদাইগী অনা-চৈরাওয়াল খাঙবদা,
ঙাইহাক-ঙাইহাক পোথরকপা মখম্থ
শোল্লি মচিন্দা মুরুম-মুরুম মথম্মতা ;
মনপ তৈবা, মত্তিম চোবা মচা-মশুশিংহুনা
অনা-ক্লাইকম্মহৌই পুমকোই কোইহুনা।

পোৎলোইবিহৌদ্রবা হকচাংশিংগী শরু-পোলাং মরক্তনি
শারুরিবা মকোলস্থ মথোয় ময়ামগী লৈনবা
মপানা ঙন্তা হুন্দোকপিরমঙৈদগী।
খন্থরুবনা পলেম মমানদি—
মপা য়াওদনা য়োকলকপদা
শেৎপা চাবা মনিং—খুজন্দ্রবনিকো
তৌনিংবতা তৌহল্লি, ঙাংনিংবতা ঙাংহল্লি।
নোংম-নোংমগী নরাংঙকখি,
লমকেৎ-লমহাইবদা খম থেংলকখি,
চাহৈদবা চারুহৈদো, থকহৈদবা থকউৎদো
পাঙ্গলগী চাংয়েং পরিক্ষাদা।
হরা নুংশিৎ হোংলকপা কান্নি হৌজিক্তি
অরাবনি! য়োংনাউশিংগী পুন্সি ঙসি
অরেম্বদা মাঙলে, পাম্মুইদকো!
খরনা মমীৎ তাঙলে,
খরনা মখোঙ তেকলে,
খরনা মখয়াৎ চিংলে, ওম্থোকইদা!
শিরমদাইগী মরোল থোকলম-থোকফাত্রবা,
রাবনা খম থেংলবা হন্নুবীতুদা
মচাগা মগুগা য়ো য়ো নৈহৌই—
ইমা, অবোক, ঐখোয়বু কমদৌ হৌ দোইনো
লৈকাইনস্থ চৎলো চৎলো হায়রে

ঐখোংগী ইশক য়েংনিংদে হায়দুনা।
মতাং অসি য়ৌরকপদা
য়োং হন্নুবীদো তে থারকলে,
লাই যত্তবা থীরকলে
মচা-মশুগী রাকংনবা—ফত্তেদকো নখোয়সে।

—:( ):—

চুরাচাঁদবা চৎপা মতম

চুরাচাঁদবা চৎলি, চুরাচাঁদবা চৎলি
অঙাং পিশক পিকলিক্লেদগী হায়নৈ,
হৌজিকসু অহুম মঙাযনৈ।
চহি মচা পোকলক্লপগী মতুংইন্না
মীবোল মশীং, য়ামথৎলকপগী - ফলনা
থাজে, শোইদনা হেঙ্গৎলকনি চুরাচাঁদবা মশীংসু
পেবেৎকী থাগৎ-তাৎ হৌদোং লম্বোইবদা অৌথিবা
অহৃতনা পেনজে, হৌদোং লম্বোইবগী থম্মোয়দি.
অহুবু লাকেনি, জ্যান্দি কোম্মংদা।
খুবাক ময়াম হন্না-হন্না য়েংজবদা।
শোইনাইবা, ফ্রিবম- চাদবা শাকনা
লাকনি শোইয়োই নোংমা ননাক্তা

চুরাম্থাবা, চুরাম্থাবা, নংগী শরুক চুরাম্থাবা।
অনিবগা অপিবগী উন্নবদা
লৌশিং লৈতবনা নহাক্তি
থৌজাল হৈবা উৎনিংলুবদা
নংগী শদোংদা মাগী শদোং শিনজিন্নমগনি।
মচা-মশু ওন্না লোইশিন্নকলবদা
লাক্লিবনি নঙোন্দা শরুক থাইয়ু—
ঙমগদরা নং পিদবা ?
চুরাম্থাবা, চুরাম্থাবা, নংগী শরুক চুরাম্থাবা
লাকনি শোইরোই নোংমদি মনাক্তা।
নংগী লৈজবা অপুম্বা
অফোংবদগী অরোনবা ফাঙবগী
পিগদৌরিবনি মাগী মিৎয়েং থাদা,
করিগুম্বা য়াদ্রগনা নথক্তা অন্দলোন
নংগী নকোক পুমঙাউ ঙাউনবা,
লৈজবা নরল-নথুম খিক্কি তাক্লবা.........।
থাজদবা তৌগনু, নংগী পাল্লি লাকখিনি
চেন্দুনা লোত্তুনা হিংলোইদবা মতাংগী,
চুরাম্থাবা, চুরাম্থাবা, নংগী শরুক চুরাম্থাবা
লাকনি শোইরোই নোংমা মনাক্তা।

—ঃ( )ঃ—

শেনবী কবোদা লোইথাবা

হা থোইবী, হা থাদোই,
চিংখুবগী মমোমলোই,
পন্থো চৈরাক কনবগী ময়াথং
মালেম লৈদা তাফদ
চংলবোইদকো শেনবী কবোদা !
নদাইরেম ফাওবা হৌজিক্তি
নপাবুংগী মীচংদা লেপখ্রেদো
শেল্লুংবা, কৈরুংবা ফংনবা
নপা-নচাগী রাথোক্তা !
চহি কুমজা কয়ামুক
মোইরাং নিংতম-ফিরালনা
চিংখুবগী ফৌরোই য়েংহনা
অহাওবা নোংদোন্দা পাইরক্লি ।
অমুদোন নোংয়াই খম্বগা
পলেম শকপী মচেমগা
খুমন পুরেনবা শঙ্গায়মুং
মপুগী কোলোই শোল্লিদো
অঙম্বশিংগী সুখাককোমদা তাদনবা,
মফোল থোকপা কাওক্রম ওইহনবিদমখা

পিদং-পাদংপা লমজা ওইবনা !
মজাইবেম্মা, ননাই লাইর খঙ্বদি
কেগেশা লমজা অতাক্পা, মোগ্রাংদা শক্পা ওই,
শিনিংচিংতা নাম্ছোকচ ইতাও নোংবানগী লাংদগী
মপুগী থৌজালদা তেক্ত-কাইদ
লাইনিংথৌ থৌগল ফংজহৌগে,
ধর্ম্মগী লেঙদবা উপালদা
নংবু ভাইরমগে ক্লারবস্থু রানা,
ননাইবু ক্লারৌবিগন্থু, সনা খোঙদোগ্বিরোকো !
ইশাবী মাঞ্জ পাম্মুবা,
করি মতৌ কৌবগে ?
পোকলবদি শিদৌবা শিরবদি পোক্তৌবা
তাইবং পূন্সি লীলাদা
নশানৌ লাইবক চাওবীদি
নোংদম্বা-মপুগী নোংদমনি খঞ্জ
কুমজা মশীং থীওমদ্রবস্থু
শেনবী কবোদা লৈজখরগে
নংগী ক্লাখলদা, নংগী মাইকৈদা।
হে ইবুধৌ কোইরেমলাই,
উন-উন উথীনবা, তান-তান তাথীনবা,
নশুবু করিগী ইরোল থোকহনবিরিবা
হায়নিংবা হায়ওমদ্রবা, ফোঙনিংবা কোঙওমদ্রবসিদা ?

ইবুংঙো, ননাইদি খঙজদবনি,
নংদি নতিক লৈবনি,
নঙালনা মালেম শিনবনি,
নহানমুক্কী মপোক্তা তৌখিবগী ফল
হন্দক্কী মপোক্তা ফংজরবস্থু
কোকপিরো কোকাপবা মতম ওরে,
ননাইবু কুইহনবিয়ন্থু চীংঙু নখোঙথাদা
পুশিনাবিরোকো।

—ঃ( )ঃ—

হা-হুম তুমখরোহা

থা থা থাবুংতোন,
নচা মোবানবী পোবীগে,
পোবী শনম নম্বীগে……
নাওশুম শৈশক্কা নিলিদো
মাইকৈ তবা শিন্থুংনা !
পলেম ইমা ইবেম্মা
নচাগী রাখলদা ওংজবা খিক্কি থাদোক্কবী,
তুমজগেকো নচানা নংগী নুঙ্গন্দা হুঙাইনা
হন্দক মপোক্কীস্থু হয়েংমুক্কী মপোক্কীস্থু।

চউস্বীবা মুমিত্তগী
তির্থ চৎপা ফাওবগী
তরা চয়োম য়োমবিরিবী
থৌজাল হৈবী ইমা-ও
খোম্লাং লমন শিংবা শকচ নহাক্কী
নতম্বাক্তা চাউজগে, নতম্বাক্তা শিজগে।
ত্রেতা যুগ লৈহৌরে—
কলি যুগনি হৌজিক্তি,
রাম অবতার ওইজরোই,
মিংচৎ-উরোং খিনজরোইঃ
ইপা কায়নবা ভমজরোই,
পলেমগী অরাবা য়েংঙমলোই।
শক্তিবুদগী লমতা, লমতাদগী শক্তিবু,
নোংঙানবদগী মুমিৎ তাবা, মুমিৎতাবদগী নোংঙানবা
অওনবা কয়াগী মতুং ইন
চাউর-লাঙ্গোল ফারক্লে,
শামু পাঙ্গল কল্লক্লে,
অহুবুনে ইমাও, নচাদি পংকিদা কিরেদো!
ভুৎ-প্রেৎ, হিংচাবা-হিংচাবী, লাইকোৎশাংবী—
মীমু নম্মী, মীশা চানিংই ....
মাই! ঐ কিজরে, ঐবু ইতোমতা থাদোকপিরমগনুবা!

—:( ):—

কৈশুমশঙগী পুন্সিদা

কৈশুমশঙদা লেনবা পুন্সিসে
চহী কুমজা য়াম্বনা
অস্থম হৈনরমাল্লে থল্লি।
লোইদাম কুইরে উদবা
অশংবা লৌবুকী অশংবা ফেৌনা,
চীংয়া তময়া, অতিয়াগী অপাইবা লৈচিল—
মমি শামথ্রবা আশাগী মঙলান্দা
চুম্না নিংশিংলুবগী ন্নাতা মংাইরে।
ফিবুলহাবী, কাক মাঙজোং অমাং-কৈরোই শান্নথৈগী
অঙাং নন্না ওইথৈদা
তামহৌরবা মতমগী তামহৌরবা ন্নারীনা
ঈচিক হুনবা মতমদা
নৌহৌনা অমুক নিংশিংলুবদা
ফাওরকথি থম্মোয়দা পূক্নিং নুংওনবা,
অহুবু, লোইদন্নি ঐগী মতমদি,
লৈখিবা তারি অমুকস্থু শাংথনা
কৈশুমশঙগী পূন্সিদা কৈশুমশঙদা লেন্দুনা!
নংদি খঙলমদবস্থু য়াই
কয়ম্না ফরিদা লেল্লিবা পূন্সিসে ঐহাকী
তাই খোঞ্জেল কয়া লেপ্পুনা—

চ দ-থক্তবদগী শিখিবশিংগী তেংথাখোল,
মবাল লৈজদনা হাৎপিশিবশিংগী ৱাকৎখোল
মচা ফাইনবগী মৈচাক কোক্তনা -
শিঙম নাঙমদনা শিশ্রবা পালেমশিংগী তেংথাখোল।
ৎখোযগী লানঙমদ্রবা অ ম্মাশিংনা হায়ৱি—
"লাও, চৎলসি লাও, ঐখোযগী ইতুং ইল্লো লাও"!
নাবো শিংসিদা অমুকস্থ নিল্লক্লি
"ঐখোযবু কনবিযু, ঐখোযবু কনবিযু"
মযুম মকোল মৈ থাদোকসিশ্রবদা
চেফম থোকপম খঙদনা
শি না চিংনা চাকশ্রবশিংহুনা
মচম মশাং খঙদনা লাউখিবা
শিবমদাইগী অবোইবা খোঞ্জেলশিং।
অমুকস্থ মীৎসিদা উবকলি শংশং-শংশং
য়ুমদা যোকপা শাশিংহুনা —
শাহিংচাবা শাশিংগী মখুৎত্তা তাববদা
তুমলিবা মপুদা হায়হৌবদো—
"ইপু, ৱাবৌন্নুকো ঐখোযবু,
ঙসিনা কাইনবা নুমিৎ ওইবসিকো, বিদাই"
ইপানা শিন্নবম্বা খাওজাও স্নানা পিক থম্বা
খন্দুনা ঐদি কবিস্থ কান্নদবনি
মফম খঙদনা অতুম হুন্দোকলম্নবনি;
অতুবু থমখৱো মতুস্থ লাপ্পা,

হৌজিক ঐহাক হিংলিদনা—
পিরগে, ঐ শোয়দনা পিরগে
নংনা পামলবদি কৃরিগুম্বা ঐগী ইফমদগী।
পোকপদগী শোয়রকত্রি ঃহায়খিবা ৱা,
হনবা লৈত্রি হৌজিকস্তু পিগনি নঙে'নদা,
শরু পোলাং মথক্তা'
কুপলবদস্তু পারবা উনতনা
য়ারে পুগে হায়রবস্তু
নংগী নতুংদা চিংতুনা।
থৱায়না খাইনবিরবা হকচাংনা
নংগী নখোঙদা তুরবদস্তু
পুখিগে খনবিরবদি অমুকস্তু পুবিখো কৈদনো,
নংগী অপাম্ব'ন, নংগী অনিংবনি।

—ঃ( )ঃ—

লমহুই অহনগী পাওতাক

থোঁ নম্বো পোবা,
অহুল মতুম ওইরবা লমহুইদুনা
মচা-মনাই ময়াম্বু লৌশিংগা
লৌশিং কন্না ওন্নহৌই—
"ইশাশা ইুুশা! ঐদি অহল ওইরেদো,
অমং-য়াইথোং কুমশঙ্গবস্ন কুইরেদো,
ঐনা কুমজা শঙ্গা হিংলিঙৈ
লৌজহৌররো লৌজনিংবা বিদ্য মখৈ
তমজহৌররো তমজনিংবা লৌশিং মখৈ,
হৈ-হৈতে হায়হুদি লৈবাক্না থওইদনা
লমহুই লৌশিং, লমহুই লৌশিং………
লমহুই অহনগী মনাক নকচমনবদগী
লৌশিং থর-থর লৈজরকলবা
মরেপ রাংবা, তোঙ্গানবা শাশিংহুনা
খুহুম শীংনা হায়হৌই—
"লাইনিংথৌ ইবুংঙো, চীংঙুম্না নোংদম্বীগনি,
নচা-মনাইশিংগী হাক্তক্তদি
থোইদোকপা অরা-অনা নংলোইমা,
ঐথোয়গী ইরমদম লাম্হোক্তুনা
য়ুমলক্নী হুই-চিরুবা, খন-রাইনবা,

য়ুমলক্কী হৌদোং-খৎনবা ফাওবা
লাইনিংথৌ-য় থং কেক্তা থোং
নচা-নমাই খামজরুগে, নচা-মনাই বিচার তৌজরুগে,
চীংঙু মাঙদা রাশকচারিবাসিনি ।”
থৌনাফবা রাহৈশিং তাবদা মচা-মনাইশিংগী
মোমোন-মোন্দোন মৌকচৈ লমহুই অহন্দুনা
থঙ্গহুনা পুন্থ কংবা তাইরেদো শিবদা।
পূক্লিংগী শায়োন তুংইন্না মরক-মরক্তা
লমহুই অহন্না লমজিংহুনা য়েংলুই
মানা ঈশিংপা, মীনা ঙাকাবা ;
থরা অমনা ম্বচিন্দা শোলহৌই তুমিন্না—
“অফাবা ঙামথৈ য়াদা ঙাজরবদিকো !”
মচা-মনাইশিংগী অপাঙ্বা থঙলবদা
পূক্লিং থেগৎপা হৌরকখি লমহুই অহন—
“য়াকা য়েংউ, কৈস্থ লৈতবা থবক্লি,
শিবা কিফরোই তাঙ্গা ফর্ললইঁউ।”
ঈশিংপশিংনা অমান নৈথোকখিঁউ ফাগী তৌনহুনা
হুরেন্দি য়েঙ্খাং হাওবা তারেলে
লাক্কুনা পুবকখি ঙাশিংদো নংহৌরোই মতাঙ্গম
সভা তিনফম য়ৌরক্কব্রা
য়েনখি লমহুই অহন পুরকপা ঙাশিং জ্ঞান তানা
মতিন য়োৎতুনা ঙাইজরিবা শাশিংহুদা ;

মশা নোইবনা খরা য়াম্না পুংই;
ময়াং ক'বনা খজিক্কুং থুংই,
মমাঙউৈদগী চংনরকপা নিয়ম মথাদা।
নোংঙানবদগী ঈশিংচরকপা-মীশিংচুনা
তকসি শোন্দুনা লৈহৌই—
"এম্মোকইদা! ইয়াদগী হেক মুনখিদা......।"
নাকন অমদা চিন্তানা পিক থল্লি,
নাকন অমদা নোক-খেরি
লাক্ল-মুন্না চামিন্নবগী লাকলকপা ঙাশিং।
অস্নুম্না, অরাবা অমত্তা হেক নঙাইখ
লমহুই অহন্না পাল্লিবৈ
লৌশিংতনা শামু ফাতুনা,
লমদম অমদগী লমদম অমা লান,
শেম্বীবা মপুগী কোলোই শোন্দুনা
লাইনিং পরৈ চেংখিদো!

কবুই কৈওইবা হিংলি

কৈকোক পানবা কবুই-কৈওইবা
মপাঙ্গল কন্না অহুম হিংলি;
হায়বদি য়ায় কনা-কনাগুম্বনা

কবুই-কৈওইবা শিখরে, শিখরে কবুই-কৈওইবা;
খুণ্ডবনা তৌবনি,
মফম-খুণ্ডনা লোৎলমখিগনি ঃ
লৈরি মা হিংহ্না ভসিকাও।
থবাতোন, মবুং তরেংকী থবাতোন
মবুং তরেং ফংজবী মপান্দগী
পিবিরি মফম চাওনা মীয়াম্না,
ফংজরি ইকাইখুম্নবসু নহা ওইনা।
অত্থবু কবুই কৈওইবা, কৈকোক পানবা কবুই-কৈওইবা
লৈবাক্না ফনা ভাংনরবসু ফত্তনা ভাংনরবসু,
মাদি ভাইখিদৌরি অত্থুম থবাতোননাক্তা
থবাতোন ফানবা, থবাতোন পুনবা।
শোইদবনি পুখিবা নোংমা থবাতোন ঃ
য়াশকখিবা কুইরবনি কবুই-কৈওইবা
থবাদবু লৌনি, থবাতোনদবু লৌনি।
নোংমা থবাতোন পুপ্রেদা তাবদা
হুমিং নিনি থোঙ লোল্লনি
কৈরোই-লৈকাই থবাতোনগা লৈমিন্নবা ঃ
কিজে তাবদা মীগী পাওনিনখোল—
কবুই কৈওইবদি মতিক লৈ, মঙাল চাওই।
হুম্নি চনবা হুমিত্তা
ফুঙ্গনাক মপান্দা, পোৎকমগী পোৎখোঙদা

মীয়াম্না শঙ্-শঙ্ তিলহৌনি,
থবাতোনতগী ময়ীনা লম্বী-লমশাং তৌ[illegible]হৌনি।
নোংমদি লাকনি মবুং তরেংথবাতোনগী
পোৎলুম কোকথোং-কোকথোং পুরক্লনা,
তাবদা মচন পুখিবগী পাও
খোঙপাক ক্রং-ক্রং থীম্না মালেমদা
মচন কৌহ্না তেংথায়থিনি—
ইবুংগী ইবেম্মা, নংবু কৈদনো, নংবু কৈদনো!

লক্ষীগী নোংমা শনিগী চহি তরা

শ্রীবৎসগী কুমদগী হৌরক্লনা
ফজ্রি শাউবা শনি ঙসিকাও ;
মাগী অশাউবা কোক্লবা,
মাগী অথাবা মীৎয়েংনা য়েংবিদনবা
মাবু ঈরাৎনরি, মাবু থুক্লম্নরি।
লংজক্লবনা এস্থ মাগী মকমদা
অরাবনি। চাথরেদো চহি তরা চুপা!
ঈরাৎ-থৌনি কয়া তৌজরে হায়ববু
কোক্তে লশাদি মানা পেনবিবা লৈতবনিনা।

নোংথক্তা কম্মা অমা, মুপ থৈরুই,
নোংথাম্না কম্মা অমা লোৎলুই,
কাম্নদে, মতুম লেম্বা ওইরমে ;
ইতুংতা ইন্দুনা লৈরম্মী মাদি ।
হাকুম কুম কাংবদা
ঐগী ইপা-ইমা, ইচিন-ইনাও, ঐগী শাগৈগী মী—
মখোয় পূম্নমক তাইবং-গ্রীদা শাম্নবা লোইখরে ;
ঐদি, লৈহৌরিরা ঐদি,
হিংলিবগী নামা থাংলিবা ঐদি
হিংথিনি, হিংথিদোবা লৈ মখোয় কাইনগ্রবস্থ ।
মীনা শেম্বা মীগী ইজ্জৎ,
মীনা পিবিবা মীগী সম্মান—
পূম্নমক ইকাইবা পিবা নত্তনা
করিবু তোংজবা লাক্লিবগোনে ঐতোম্দা ?
ইমানা শিন্নরম্বা পীথ্রায়-পুজাই
ঐগী ষষ্ঠি পুজাদা হাপলকপা,
লৈতবনা ইথুং তংকরদা
পুবিগ্রে থীনা চৈরম্নগা লোতম্নবা লাকপনা—
শিগ্রবা ইমানা করি খাঙলি-ঐ খঙদে ন
পোকপদগী তুংখাঙ খত্তনজবা মীই
শক উম্নবা মতমদা কম্নী-লমখাঙদা
য়েংনিংদবনা, উনিংদবনা মায় জৈথোকথি—

করি ইরাল লংজরুবা লৈবনো মকাদা ?
ইমা ! ইমা ইবেম্মা লক্ষ্মী !
হায়দি হায়হৈদে, নচাদি রারেদকো !
শ্রীবৎসমক ওইদ্রবস্থ শ্রীবৎসগুনলেদকো !
লোইদ্রাম কয়া নংবু ভাইজবদা
পূর্ন্নি তংখাই চনখরে ;
ইমা, নহাক্না অমুক্তং লেঙশিনবিহ্না
নচাগী মল্লবা, মুৎলবা য়ুমস্নিদা
নচাবু সেবা ফংহনবিরোগবা !

মৈথু মরক্তা পাঙবা মিং

নংনা কৈদ ঐনা কৈদ
থেন্নবা অমদি মরৈ ইবান্নিগী মরক্তা
নংনা শিবদা ঐনা য়াওদবা, ঐনা শিবদা নংনা য়াওদবগী
থেন্নবা থীবদা অহেনবা তানবদা
পারবা উনতনা কুপ্লবা হকচাংসে
মাওহল্লেদো অরেম্বদা কান্নবগী রাংমদা !
তৌদোবনা তুংদা থম,
অওইবনা লাপ্না হুন্দোক,
মীরক্তা পোকলগা মীরক্তা চাওহ্না

মীয়ক-থায়বী শান্নরম্নগা,
পুন্সিগী মেলাদা, তাইবংগী কৈথেলদা
লৈজবা 'পুম্বা চাদিং তৌরম্নগা,
মল্লবা ৱাখলগা মল্লবা হকচাংগা,
থমজিনবিররে ঐবু অমম্বা কান্নুংক্সিদা,
ভুৎ-প্রেৎ কয়াগী তম্নকম ওইরিবা মফমসিদা!
কোৱৌনা কোকতোন্দা ঙানবকান
তফি-তফি হৌগৎচরকপদা ঐনা মঙল্লে
মরম ওকপা ঐগী ইচা তরানা
য়াহৌ ওম্না হৌগত্তুনা অয়ুক্কী শরিক খোঙ্গেলদা
পংথৎতা খৎনরম্বী হায়হৈদবা হায়নহনা
ঐগী শুমাঙদা, ঐগী মাঙ্গোলদা।
মপা উবদা লৌক্লিংবা ফাওরবা ইচাশিংহনা
লক্করকথি ঐঙোন্দা হন্না-হন্না য়াহৌথেঙ, য়াহৌথেঙ;
অদুবু ঐদি তাদে, ঐদি থৌশারুদে মখোয়না হায়রিবা
মঙলি, ঐ মঙ মঙলি হৌজিকসু
ঙরাং অহিং অমম্বা কান্নুংদা মঙথিবা মঙহুমক।
সত্য অবতার, ত্রেতা অবতার, দ্বাপুর অবতার,
কলি অবতার—
অবতার মরিগী থঙহৈবা ৱারী খিবদা
নৌনা মলহংল্লে মননাইদবা ৱাখলবু।
পোম্বী-চেক্লাগী মুংশিবা শৈশক,

হৈরাংগী হৈতম, লৈরাংগী লৈশাৎ,
ছান্নিবা মালংগী পাওজেল, উপাল-রাপালগী
মরাইরক্তা
পোকপদগী নিংবা থুংওকত্রেদা হায়রিবশিংনা
অশিবা মীগী মখোই-মস্তিন রেংজরগা
পৃক্কিংগী অপেনবা কংজবগী মরম হংবদা
রারবা চোকথরবা হৎকচাংসিনা
নংগী রাকৎ, নংগী তেংথা, নংগী খোল্লাও তাবদা
খোংহল্লে, মেওহল্লে ঐগী ইথম্মোয়—
রাহল্লে, কপহল্লে, শাউহল্লে হাঙ্গিন-হাঙ্গিন।
অরিবগা অনৌবগা, অনৌবগা অরিবগা পূমশম
শম্নরকপা,
অহৌবগা অরোইবগা, অরোইবগা অহৌবগা খেন্নবা
লৈরক্তবা,
অহনগা নহাগা, নহাগা অহনগা মতাও শান্নরকপা,
মান্নবা, মান্নবা, পোৎ পুম্নমক ইমানতা মান্নবা,
অক্ক-ফত্ত, অচুম-চুমদ কয়া মখোয়গী খল্লিঙৈ
তরংদা তাউহনা লেন্নবা ঐবু হোৌদোকপিরম্ন।



[illegible] কোইরুবী মলয়া

মলয়া, [illegible] কোইরুবী মলয়া,
[illegible]নংগী পোক্লফম লমদম লোইবী চীংশাং ?
পিশক [illegible]দগী লেকাগা হৈনরুবী,
ওইজবা, অপাম্বা [illegible]বু [illegible] হৈনরুবী,
মীওইবগী [illegible]বু থাক্লা শেংশা[illegible]বী,
লাইরবী নংনা মীগী [illegible] লেপলুবা
[illegible] খম তাদোকপিরবোহ [illegible]-হমা' !
করিগী রাবগে ? [illegible] তৌবগে ?
নপাম লমদম থাবী [illegible] ;
নংবু [illegible] [illegible]
মৃ[illegible] [illegible]বা হায়ত্বনা
[illegible] [illegible] [illegible] থম্মি
[illegible] চীন্দমলরো লাও !
[illegible]লাও, 'থক্রো' লাও, 'নংনা' [illegible] তৌরো
লাও,

নংগী ন[illegible] [illegible]চীংশারুনেপ্লু
ওত্র[illegible] [illegible] মশেক [illegible]
ফৌনা-জগোয় য়েংলুসি হায়ত্বুনা
নংগী নতানা নংবু ভাইরক্লি
নংনা চৎখিবা মাইকৈতবু য়েংত্বুনা ;

লাও, নতাদা হায়রো লাও ঐ লাক্কে, ঐ লাক্কে !
নংবু উদ্রবদ্রা, নংগা শায়মিয়মন্দা,
হৈপাল-লৈগাল খিবিকসে হুংগুক-হুংজাররে
লাও, নংনা মাখায়বু তরাম্মা কোৌরো লাও !
নং লাকনি তাবদা
লোইবী চীংলোন লালুখা পোম্বী-চেক্লানা
শৈওক-ঈরৈপ শক্কুনা মংবু থাগরি
লাও, নংগী ঈশৈনা শৈখুমলরো লাও !
পামেল শীংজা চরুবী মতানা
অরাম-খৌরাংবনা লাইজা খুজোক-খুজোক থক
য়াবনা পন্দোম লোয়বা মতমসিদা
নংগী হুংশিবা নয়াহৈ তাহনুনা
চোকথরবা হকচাংবু তোকহল্লো লাও !
ন না নিংশিংবিরুরকো হায়োশিংনা
মথম্মোয় তনিক-তনিক মখবু নিংশিংলি ;
নংনা অমুক্কং অমাকা চঙবিতুনা
কংলবা, খুইরবা মায়খোঙবু মকা লামহল্লো লাও !
তাখিদরে ত্রোং-ত্রোং খোংজেল,
ইফুৎ মচানী লোনবনা চেক-চোংবনী খোজেল,
কমলো লাও, নংগী থাজনা থরি খোঙ নুপাক
নংনা হুংওয়বা মথক্কোরবু থেমজিনরো লাও !
নং য়াওদ্রবদি, নং লৈত্রবদি

লৌহৰী চীংশাংসে ইছাঙদ হাঙলনি
লাও, নপাম লমদমগী মুংশিবা শক্তম য়েংহনা
হয়াওনা পুন্সি লেপ্লো লাও !

মা তায়বা

হ য়ুঙমদে অফবা ওইরিত্রা ফত্তবা ওইরিত্রা,
যমরাজগা অশি-থোঙ হাংবগা
অচিকপা কান্নুং অমদা শাবী শাহৌই।
য়ারে মথোয়সু মীনা লাকচরকপদা,
মথোয়গী শায়পোৎ মীবু
মী মশামক্তা মুল্লগা শায়খিবদা
মুংনাংলে অন্নুতাপ.কী রাখলতনা।
মীনা মীবু শেম্বা-শাবা ঙমলবদা,
মীনা মীবু ওইহল্লিংবতা ওইহল্লবদা
কৈদনো যমরাজগী মঙ্গল, যমরাজগী শক্তি ?
থৌ লৈতনা অয়েম্বদা লৈরুবদি
করিদা অমুক কান্নফম লৈরি ?
ওইজবা পামলগনা, তোংজবা কংনিংলগনা
মথোয়সু রাকৎলুবা তাত্রা তাইবং-মপুদা ?
খুদোংচাবা অমদি লৌখিগে থল্লি ঃ

পামলি হৌজিকসু মীগী থরায়,
য়েংনিংলি হৌজিকসু, মী-[illegible] হুমৈ,
কংনিংলি হৌজিকসু, মী-[illegible] মতৌ।
মরালনা মপোং [illegible] মীশিংগী -
শরক-মরক্তা মতোম-মতোমত্তা [illegible]—
"যমরাজ, ইকাইরু [illegible] যমরাজ,
নং ইপাঙ্গল কল্লিভেদ্রা, [illegible] মোরজক্ননবিদো।"
মীনা শীংনখিবা, মীনা চৈথিবা লিবিক;
থাতাদা লোইনা পানশিন[illegible]রনি;
মতম চাবা ভাইরিবনি যমরাজ
অমুক্তংদি লাক্লগে থন মী-লাক[illegible] পুন্না।
য়োংপাক, থাংজো পুন্না
লোইপোং থৌবা চংপদা
লোইপোং কাজরা ভমুত্ররা মকমসরা,
লৈরমগনি যমরাজ থোক্ত শঙ্কুনা
থরায় মাঙগদোরবশিংহূগা য়েংহুনা
মখোয়গী মথক্তায় হাম্না চুপাশনাবিরহুনা।
লৈজবা থিবিক পিথোক্লবা কাক্তবদা
পেন্দে, পেনবা নাইদবা থম্মোয়না পেন্দে,
মখোয়না পিরক্পা জগ্গ থালদান
ওক্রি শক্তিনা অথাবা মাংহয়েনা;
থঙই থিরিবকো মখোয়থুন,

অহুবু চংগ্রে মখোয়দি য়াকৎপা
নখোয়না কিনয়িবা, যমরাজগী মকাদা—
"যমরাজ, ঐখোয়গী মতম থাবিরো,
লাকচরগে নংগী নকাদা,
লাইবক য়েংজয়রগে নংগী খুৎতুং অমুক।"
মীগী অপাম্বা পামদে মখোয়না,
মীগী অনিংবা য়ানিংদে মখোয়না,
অচং-খোঙ থীংববু হাৎতোকপগা
যমরাজ, অশি-খোঙ হাংবা
মীওইবগী মতুং ইন্নদৌরি !

পলেম নিংবা মপারি

পোকপদগী মশা হুঙাইতবনা
নাহেল্লনতা লৈরবা, নিঙাইদা তৌরবা,
মতোমতা পোকচবা মচান্নপাদো
পলেম মমানা নাওশুম্বীরম্মী—
"ইমাগী ইবুংঙো, ইছু নিংথৌ চাউজ্রিবা,
খোন্নেন তুমখুন তাজ্রোনে হুম-হুম-হুম……।
নশা 'পুম্বা ফুগ্রী-ফুরাংনা পুম্ননোম-নোম,
ফদি ফর। মরক্তা হয়িংনা রা-রা,

লায়বা পুক্সা লোইননা ছুমগ্রবা
মপারি চাউদ্রিবা নংদি
খোম্নেন মঙলাঙ্গান্দা উরিনি
চরৈ মোৎনা শেৎপী নংগী পলেমবু
কোলুগী যনগুম মমীৎ-অমায় খুমজিনবি
শাজৈনা শেং-শেং মাঙদা চংলু চংলু
ভমলবা লোইবী চীংগী চীংচেপ্তা পুরিদো।
চীংবান থক-খা শম্নদনমথৈ
মপারি নংগীদমক খনবদা
অরা কোঙ্গায় নোক্সা খাঙগ্রবী
নংবু পোকপী পলেমদি
নংনা হয়েং য়োক্কে থিরকপদা
অমং থরৈ চন
খমুং শরা তানগ্রনিদো।
লাইরকোন্দা পোকলক্রবা, লাইরকোন্দা চাউরক্রবা,
অরাৎ-অপাতনা নশরুক্ক ওইরক্রবা নংদি
মুংশিজরবা পলেম কাইনবদা
তাইবংগী মুঙাইবা খিবিক হুন্দোক্কুনা
পিরাংলকী পুন্সিদা নিংবা কায়না লেক্সনিদো।

—ঃ ঃ—

সংসার অমদা

সংসার অমদা
হৌজিক্কী পৃথিবীগী পুমখেন খেন্নবা,
চৎলুই ঐগী রাখলনা মশাং থীগুমদ।
সংসারদুগী মীওইবগী পুন্সি,
মখোয়না লেল্লিবা পুন্সি-মরেল,
মখোয়গী লীচৎ-শাজৎ, রাঙাং-শঙাং
ঐখোয়গা পুমখেন খেন্নে,
ঐখোয়গা পুমখেন খেন্নে।
খোঙজেক-মীৎতাং লৈতবা,
নাপলনা মরু লুক্কম,
মহৌশাগী শক্তম্না কায়দকম,
উপাল-রাপালনা মরুম পিন ম,
নামিবা মুংশিংকী তুংনকম,
মনিং-মথা তম্নবা সংসারদুদা
পোম্বী-চেক্লানা মুংশিনা ঈশে শকহৌই।
মুংশিনবা, চান্নবা, করজনবগী ঈচেলনা
চেলহৌই মী খুদিংগী থম্মোয়দা;
অরৈ-লৈতেংগী [illegible]
পাওথুম কয়া পিনহৌই
পাঙ্গলগী শীংলীনা লোইনাইরমা।
মকম খুদিং শন্দোক্লহৌই
তুকচ্চবা, [illegible] [illegible]।

মখোয় অহল্মা বিদাই পিনকমস্লিদা
লৈ চিংনবা লৈত্রবা চঙজকম
নংগীস্থ ঐগীস্থ মাগীস্থ।
শোল্লবা উত্রী ফাওবা
থোৌনা লৈনা, ইচং থোৌনা,
উপাল কনাগীস্থ মতেং থিদনা,
মৌনব্রত তৌরুনা মতম চুপ্পগী
অকনবা রাশক্তা লেপহৌই চুমজিংনা।
লৈজয়মলবদি ঐহাক মকুমুহুদা
লেঙরমগনি পূন্সিসে হুভাইনা,
য়াওজরমলবদি ঐহাক সংসারুহুনী চৎনবীদা
লৈতাজরমগনি পূক্লিংসে পেঙবতনা।


নিংশিংলি মতমদো

নংগী নিংশিং-স্থমিৎ
ওসি নৌহৌনা লাক্লে :
মতম কুইনগী তুংসিদা
নংবু অমুক নিংশিংলক্লে!
নংনা হিক-হিক
নংগী অন্নাবা মৈচাক্লা

নংগী অরোইবা মতমদা
মীৎলুদা পিরাংনা থুমখিবা !
নংগী জেথাখোল
ঙসি তারে নৌহৌনা,
পারে থম্মোয়সে অরা-ঈথক্লা !
থম্মোয় পান্দে হায়গন্নুকো ঐবু,
কুপলিদো ঙসিকাও লেপ্ল লৈতনা থম্মোয়সে
মচু তরেৎকী কিক্সংনা চুমথাংগী !
নংগী অহুঙৈগী ঈশৈগী স্থর
অঙাং নরা ওইরিঙৈ মতমগী,
মহুগী খোঙ্গাংনা য়েবদা
থম্মোয় হিক্লা কপহল্লে,
ঐবু মিৎকপ থোক্হল্লে !
তোর্ব্বান নিংথায়রে
ঈচেলনা য়েবদা ঙাইহাক লৈতনা ;
মচেৎশিংহুস্থ কুপশিক কুপলবা
পুবিখিদো মকম থঙনা !
লোইবা-থম্বা [illegible]বা,
কাউথোকপা [illegible] [illegible]বা,
নংগী কন্নবা [illegible] ঈরৈনা
মকম কৈদনোনে পুম্বিবা ঐবু !
অহুবু ঐদি কপলোই, ঙংকপ কপলোই

শোক্লবদস্থ হঙ্গিন-হঙ্গিন থম্মোয়সিদা
অরা-মুওাই' ঈথকী আয়না,
ঐ কৱিস্থ চিংনবা লৈতে
হায়ৱবস্থ মীনা নুংমুক কল্লি নথম্মোয়,
নংগী নিংশিংবা মরক্তা
তুমিন লেনপ্রগেকো পুন্সিসে!

—: :—



Please Remember.

Very shortly you'll see

"The Last Memory"

(English Poetry)

·Ajitkumar

মমল লুপা ৩-০০